# 'পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মশান্নশিং নহাশিংদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা য়োকখৎনবা হোৎনগদবনি'

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা লমদম অসিগী মশান্নশিং মীপুম খুদিংদা মরুওইনা নহাশিংদা মমুৎ তানা খঙহন্দুনা য়োকখৎনবা ঐখোয় খুদিংমক্না হোৎনগদবনি হায়না য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেটোনা ফোঙদোকখ্রে।




দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২২দগী হৌরগা নুমিৎ ৬নি চথরকখিবা মুক্লা অমদি থাঙ-তা ৱার্কশোপ কম রেসিদেন্সিএল কেম্প লোইশিনবগী থৌরমদা অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ডা. ময়েংবম ভেটোনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবগী মনুংদা লৈবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৭তগী লাকপা নুপামচা মহৈরোয় ১০৫ অমদি নুপীমচা মহৈরোয় ৮০ য়াওনা পুল্লা মহৈরোয় ১৮৫না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা মুক্লা অমদি থাঙ-তা কোচিং কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অদুদা য়াসকী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেটোনা অথোয়বা মীথুংলেন, এদিস্নল দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস) ভেলি বিসেশ্বর খুমুকচমনা থৌরম মপু অদুগা সিনিয়র এ ও ওফ এদ্যুকেসন (এস) সোরাইসম দেবিদ অমদি এদিস্নল দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস) জি সী গুরুময়ুম অনিতানা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা য়াসকী দিরেক্টর ডা. ময়েংবম ভেটোনা হায়, থাঙ-তা হায়রিবা মশান্না অসি নেশনলগী থাক্তা হৌজিক শান্নরে। মসিগী মখা তারকপা খোঙথাং অমা ওইনা দিপার্টমেন্ট অসিনা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গর্ভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা তান্নদুনা মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরি।

লমদম অসিগী য়েলহৌ মশান্নশিং ষ্টেট লৈঙাক্লা অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা মালেমগী ফম্বাকথক্তা পুখৎনবসু হোৎনরি। লোয়ননা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা কলচর মশক তাকপীবা, মশা মউ ফনা অমদি থকশি খাশি লৈহন্দুনা মশা ঙাকথোকচবা ঙম্নবা তাকপী তন্বীরিবশিং অসিগী মথক্তা পাঙথোক্লিবা ৱার্কশোপ অসিনসু চাওনা কানবা পীবা ঙল্লগনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা এদিস্নল দিরেক্টর বিসেশ্বর খুমুকচমনা হায়, মহৈরোয়শিংদা ফিজিকেল এদ্যুকেসন ওইনা মুক্লা অমদি থাঙ-তা তন্বীবগা লোয়ননা ক্লাস নাইনদগী টুয়েলব ফাওবদা ওপস্নল সবজেক্ট ওইনা হাপ্লে। অদুমওইনমক প্রেক্টিকেল ওইনা পাঙথোকপা ৱাৎলিবা অসি মেনখৎনবা কোচিং কেম্প অসি অখন্ননা পাঙথোকপনি। মসিনা শরিৎ-শরাৎ খক্তা নত্তনা ওজ াশিংবু ইকায় খুম্নবা অমদি থকশি খাশি মপুং ফানা লৈহন্নবা পায়খৎপা খোঙথাং অমসু ওইরে হায়খি।

# মোদেল ক্লবনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** মোদেল ক্লবকী ক্রিকেট শান্নরোয় ওইরম্বা দেবদত্ত কৈশামনা থা অসিগী ২৫দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি মোজেস ময়াংলম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দেবদত্ত কৈশাম লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা ঙরাং মোদেল ক্লবকী প্রসিদেন্ট হিজম রঘুনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ক্লব অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট অনী তুমিন্না লেপখি। অমদি ক্লব অসিগী ফিৱাল নুমিৎ ৫ তঙ্খায়দা চিংথদুনা অৱাবা ফোঙদোক্কনি। লৈখিদ্রবা দেবদত্ত কুমজা ১৯৯৭তগী ১৯৯৯ ফাওবা ক্লব অসিগী ক্রিকেট টিমদা শান্নরমখি। মহাক লৈখিদবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু ক্লব অসিগী মায়কৈদগী শরুক য়ারি। অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না ইংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক মপুগী মফমদা থৌনিজখি হায়রি।

# মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** কর্নটকাগী বেঙ্গলুরু অমদি গুজরাটকী অহমদবাদতা পাঙথোকখিবা চহী অসিগী সব জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র নেশনল এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরগী মহুৎ শীল্লুবদা ষ্টেট অসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মীংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ৱাঙ্খেই নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা এম জি এম ক্লবকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পীকর থোকচোম সত্যবর্ত্তনা অথোয়বা মীথুংলেন, রিটায়র্দ দিরেক্টর মণিপুর রিমোট সেন্সিং এপ্লিকেসন সেন্টর ডা. নহাকপম রনধির, স্বিম্মিং ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট সাপম মোহিন্দো অমদি রিটায়র্দ জোইন্ট দিরেক্টর য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর তেন্সুবম থৌবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। নেশনল এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৪-২৫দা বেষ্ট স্বিম্মর এৱার্দ য়াওনা ফ্রী ষ্টাইল অমসুং বটরফ্লাইদা নেশনল রেকোর্দ ফংখ্রবা শান্নরোয়শিং য়াওনা মেদল ফংলকখ্রবা অপুনবা শান্নরোয় ১৪ তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা থোকচোম সত্যবর্ত্তনা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা স্বিম্মিং মশান্নবু থৱায় য়াওনা শান্নরিবা শান্নরোয়শিংগীদমক ট্রেনিং সেন্টর অমা থম্নবা হোৎনরগনি। ঙসি লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা স্বিম্মিং মশান্নগী ওইনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকখিবা অদুনা ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকপা ঙম্লিবনি। অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু নীংথিনা শেন্নদুনা মখোয়বু হেন্না মায় পাক্লবা হোৎনবগী মতম ওইরে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মেমেন্তো অমদি অচম্বা খুদোলশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

# প্রেমিয়র লিগকী সব কম্মিটিশিং শেমখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩ লক শুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ মপুং ফানা চত্থবা ঙমহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা সব কম্মিটিশিং শেম্লে হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা হায়রি।

অম্ফাগী চেরোল অসিনা হায়, সব কম্মিটিশিং অদুদি ওর্গনাইজিং কম্মিটি, টিকেট কম্মিটি অমসুং গ্রাউন্দ কম্মিটিনি। ওর্গনাইজিং কম্মিটিদা য়াওরিবশিংনা দব্লিয়ু মোবিচা (চ্যেরমেন), এল নবা (কনভিনর), এ বাবু (কো-কনভিনর) অদুগা মেম্বর ওইনা য়াওরিবশিংনা আর কে শান্তিকুমার, এল লন্দন, ই রতন অমসুং টি ঐচ ওজিৎনি।

টিকেট কম্মিটিদা য়াওরিবশিং ঐচ চেটনচন্দ্র, এল নবা অমসুং টি রতননি। অদুগা গ্রাউন্দ কম্মিটিদা য়াওরিবশিংনা আর কে শান্তিকুমার, এম দিগবিজয়, এস রোবিচন্দ্র, কে ইবোতোম্বী অমসুং ও সোভাচন্দ্রনি হায়রি।

# টি টি চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা দি এম য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনাক্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৩৭ লক শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট ইন্টর ক্লব অমসুং ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ হৌদোকখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৬ অমদি য়ুনিট অমদগী লাকপা টেবল টেনিস নুপা শান্নরোয় ১৪২ অমদি নুপী শান্নরোয় ৫৬ য়াওরগা অপুনবা শান্নরোয় ১৯৮না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৩১ ফাওবা অথোয় অহেন চাংদম্নগনি।

ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পীকর থোকচোম সত্যবর্ত্ত, দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএশন ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট অকোইজম বিজয় অমদি মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট হিদংময়ুম দেবসেখরনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা চহী ১১ মখাগী বোইজগীদা থৌবালগী এল রিকিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দব্লিয়ু লিপুনবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। চহী কাঙলুপ অসিগী মখা তাবা মেটচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী জিটেস নোংমাইথেমনা বিষ্ণুপুরগী ফাইরেম্বম দেবজিৎপু সেট ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে। চহী কাঙলুপ অসিমক্কী অহুমশুবা মেটচতনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়াইফবা থোকচোমনা ককচিংগী কে এস ঐচ বিন্সনবু সেট ৩-০দা অদুগা মরিশুবা মেটচতনা ককচিংগী কে ঐচ অথোইবনা ইম্ফাল ইষ্টকী দব্লিয়ু নিংথেমবু সেট ৩-০দা থোইবা ঙমখি। মঙাশুবা মেটচতনা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ থৌয়াংবনা থৌবালগী জয়সেন এ কে সেলতুনবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মখা তানা শান্নখিবা মেটচশিংদনা থৌবালগী এস অরুননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লনচেনবা নোংমাইথেমবু সেট ৩-০দা অদুগা থৌবালগী গ্যান নিংঙোম্বমনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ুমলেপ্পা ইরোমবু সেট ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা থৌবালগী পেত্রিক নামৈরাকপমনা ইম্ফাল ইষ্টকী এল মঙালবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে। অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী দব্লিয়ু লমজিংবনা ৱার্ক ওভর ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।


# ঐচ ভি এ অমসুং এমিমাইদো ফাইনেল শান্নরগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশন (এ এম ভি এ)না শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওইনামদা লৈবা থম্বাল মরিক কোলেজগী ইন্দোর হোলদা চত্থরিবা ২৪ রক শুবা মিনি বোইজ ষ্টেট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজম অমদি এমিমাইদো ময়াং ইম্ফালগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।



তোঙান তোঙানবা টিম ১২না গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্নুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমনা আই ৱাই ৱাই সী নাওরেমবু সেট ৩-১দা থোইরগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা এমিমাইদো ময়াং ইম্ফালনা বি দি ভি এ বিষ্ণুপুরবু সেট ৩-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখ্রে।














## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1575

**M. Ramirez Garrastacho (2166) - IM JP Wallace (2346)**
**Offerspill Nordic Inv Oslo NOR, 2020.08.23**

1.d4 d5 2.c4 c6 3.Nf3 Nf6 4.Nc3 e6 5.e3 Nbd7
6.cxd5 exd5 7.Bd3 Bd6 8.Qc2 O-O 9.O-O Re8 10.Re1 Nb6
11.b3 Bg4 12.Nd2 Bh5 13.a4 Rc8 14.Ba3 Bxa3 15.Rxa3 c5
16.dxc5 Rxc5 17.Qb2 d4 18.Nce4 Nxe4 19.Nxe4 Rd5 20.a5 dxe3
21.axb6 Rxd3 22.bxa7 Rd2 23.Qc1 Rxe4 24.f3...

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1574 Solution :**

**38. Re6** *Opening the line from b7 to h7.* **fxe6**
*38...Rxe6 39.fxe6*
**39. f6** *Mating net* **Kf8**
*39...Re7 40.Qxe7 Qxe2+ 41.Kxe2*
*39...Qxe2+ 40.Kxe2*
*39...e5 40.Qg7#*
**40. Qg7#** *Lolli's mate*
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com